## এডিটোরিয়েল

# রিপব্লিক ওইরবা লৈবাক অমগী সিটিজেন অমনা ফংফম থোকপা ফংলব্রা

বৃটিশ কোলোনিয়েল রুলগী খুবাম্নুংদগী ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্স ফংলবা মতুং মশাগী চপ চাবা লৈবাক্কী চৎনা কাংলোন লৈরবা চপ চানা মনিং মখা তল্লবা রিপাব্লিক কন্ত্রি অমা ওইরকখিবা চহি ৬৫ শুখ্রে। শাংলবা চহিশিং অসিগী মনুংদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা ইন্দিয়াগা লৈনবা মরী অদু অহানবদা হেন্না য়েংথিনবা ফিভমদা লৈরম্বদগী ঙসিদি য়াম্না ফগৎলবা মরী অমদা লাক্লে। মসি চহিশিং অসিগী মনুংদা পায়খৎখিবা দিমোক্রেটিক গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী অচৌবা এচিবমেন্ট ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা ফোরেন পোলিসি ফগৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী দিফেন্স সিষ্টেম অসিদসু য়াম্না অৱাংবা থাক্তা লৈরে। লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদসু মতিক চাবা থবক কয়া অমা পায়খৎখ্রবনা হৌজিক মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মাঙজিল থানা চৎলিবা লৈবাক অমসু ওইরে। ইন্দিয়া অসি চহি খরাগী মনুংদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মরক্তা শোয়দনা তিল্লবা য়ারে হায়না ফাওবা মালেমসিগী মনুংদা লৈরিবা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা পারি। মসিগী মথক্তা মশাগী ওইবা মরন্নাই দিফেন্স সিষ্টেম কয়া অমসু শেম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অসি ঙসিদি মালেমগী মনুংদা শীংথাবা য়ানা চাওখৎলে হায়না লৌনরি। ইন্দিয়াগী সাইন্টিষ্ট কয়া অমা মপাল লৈবাকশিংদা লৈদুনা মখোয়গী কান্নবশিং অদু লৌরি অমদি হেল্‌থ সেক্টরগী লমদসু ঙসিদি ইন্দিয়া অসি কা হেন্না দিভলব তৌরে হায়না লৌনরি। অমরোমদা হায়রগা মসি ইনফোর্মেসন টেক্নোলেজিগী থাক ৱাংখৎলকপা অমসুং গ্লোবেলাইজেসনগী খোঙজেল অসিদা ইন্দিয়াসু য়াওশিল্লকপদগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি হায়না খন্নরি। চাওখৎ থৌরাং অমসুং ঙাকশেনগী মতাংদা অশুক য়াম্না চাওখৎলবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৈঙাকলোন অসিনা ইন্টর্নেল সেক্যুরিটিগী মতাংদদি য়াম্না চাওনা শিংনবা অমা থেঙনরি হায়বসি সরকার অসিনা অমদি লৈবাক মীয়াম্না য়াফম থোকই।

লৈবাকসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট কয়া অমদা হৌজিকসু তোখাই তানিংবা অমদি নীং–খা তম্না লৈগনি হায়না দাবি তৌরিবা জাতি কাঙলুপ কয়া লৈরি। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা রিপব্লিক ওইরবা লৈবাক অমগী মীয়ামদা মখোয়গী চপ চাবা সিটিজেন অমগী হকশিং অদু পীবা ঙমদে হায়বসিনি। মান্নবা মীৎয়েং অমদা লৈবাক মীয়ামবু য়েংবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসন্না পিরিবা সিটিজেন অমগী সেফগার্দশিং অমসুং পীরিবা গাইদ লাইনশিংনা মীয়ামদা ফংহনগনি হায়রিবা হকশিং অদু চপ চানা ফংহনবা ঙমদবদগী নৎত্রগা মদু ফংহন্নবা হোৎনদবদগী তোঙান–তোঙানবা ৱাখল্লোন কয়া অসি থোক্লক্লিবরা হায়বসি নৈননিংঙাই ওইরে। রিপব্লিক ওইরবা চহি ৬৫ শুরক্লবা লৈবাক অমগী ষ্টেট অমা ওইনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমসুং জাম্মু এন্দ কাশ্মিরনা চিংবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সিটিজেনশিং অসি করম্বা থাক্তা হিংলিবগে অমসুং মখোয়গী মথক্তা থমজিল্লিবা তোঙান–তোঙানবা ব্লেক লোশিং অসিনা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী মীয়ামদা চপ চাবা রিপব্লিকান সিটিজেন অমগী রাইট অদু ফংহন্দে হায়বা চপ চানা তাকই। মসিগুম্বা ব্লেক লোশিং অসি মতমগা চান্নদ্রে হায়না মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা লৈরিবা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা ফোংদোক্লবগা লোয়ননা লৈবাকসিগী লৈরিবা গভর্নমেন্টনা ফাওবা মীয়াম্না লৌথোকখ্রো হায়না দাবি তৌরিবা অফস্পানচিংবা লোশিং অসি মীয়াম্না হায়রিবা অসি য়াদুনা লৌথোকপা চুমব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা কমিসন ফাওবা শেমখ্রে। জষ্টিস জিবন রেদ্দিগী লুচিং মখাদা চৎখিবা কমিসন অদুগী রিপোর্টতা হায়রিবা এক্ট অসি থমগে হায়রগনা য়াওরিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা এক্ট অসিগী অর্টিকল খরা লৌথোকপা নৎত্রগা শেমদোকপা দরকার ওইরে। মসি মতমসিগী লৈরিবা হ্যুমেন রাইটশিংদা য়াম্না চাওনা অকায়বা লৈহনগনি অমসুং ইন্টর্নেসনেল ওর্গনাইজেসনশিংনা পীরিবা কনভেন্সনশিংগা য়াম্না চুন্নদে হায়বসি খঙদুনা লৈরবনি। মসি মক্তদা হায়রিবা এক্টশিং অসি থমজিল্লিবনা মরী লৈনবা ষ্টেটশিং অদুগী মনুংদা লৈরিবা রিপব্লিক ইন্দিয়াগী সিটিজেনশিং অদু চপ চানা রিপব্লিকান সিটিজেন অমগী রাইট ফংদ্রি হায়না লৌবা তাবনি। মসিগীসু মথক্তা অমুক হায়রিবা লমদমশিং অসিদা লৈরিবা দিভলবমেন্টকী থাক অসি ঙসিসু য়াম্না নেম্না মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংনা ওইরিবা ফিভমশিং অদুদগী য়াম্না থাক নেম্না লৈরি। বোর্ডর এরিয়াশিংদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিগী বাউন্দরি লাইনশিং ফাওবা চপ চাবা মওং অমদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা চপ চানা লেপ্লদুনা অকনবা শক্তি অমগা লোয়ননা ঙাক–শেনবগী থবকসু তৌদ্রি হায়না লৌবা য়াই। মসিদি হৌজিক–হৌজিক চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা অসিদগী ইরায় লায়না মীচম অমনা ফাওবা খঙবা ঙম্বা থৌদোক অমনি। মসিসু হায়রিবা রিপব্লিক ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ঙমখৈগী শরুক অদু নিংথিনা ঙাক–শেন্দবগী অচৌবা খুদম অমনি হায়না লৌবদা লাল্লোই। অদুনা ইন্দিয়ানা রিপব্লিক লৈবাক অমা ওইরকপা চহি ৬৫ শুরবসু লৈঙাকলোন অসিনা লৈবাকসিগী মীওই পূম্নমকপু মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদ্রি অমদি পীফম থোকপা হকশিং অদু ফংহন্দ্রি হায়বা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# করিনো অমদি তৌফম থোকই

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইম্ফাল সহর ময়োলদা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক ৱাথোক নৎত্রগা মপাল লমগী অচৌ–অশাংশিং, মন্ত্রি অমদি দিগনিটরিশিং লাকপা মতমদা য়াম্না তোয়না ত্রাফিক সিষ্টেমদা অহোংবা থম্মী। মসিদা ইম্ফাল সহর মনুং অসিদা পেসেঞ্জর সার্ভিস দিজল ওটোশিং অসিগী চঙফম অমদি হান্না লৈরম্বা রুটশিং অদু থিংজিল্লগা চঙহন্দে। মসিদা চখোক–চৎশিন তৌবা মতমদা থেংনরিবা অসি লম্বী চিন্দবা অমসুং অহৌবা মখোলগী অরাংবা কয়া অদু লৈতবা অসিনি।

মসিদগী খঙবা ঙম্বদি হায়রিবা দিজল ওটোশিং অসি ত্রাফিক্লা পীরিবা সিষ্টেম য়াম্না তোয়না থুগাইবা অমদি নোইজ পোলুসনগী চাং অসি য়াম্না কা হেন্না ৱাংখৎনবা মখলগী গাড়ী ওইরে হায়বসিনি। ফনা য়াম্না লম্বী য়াক্তুনা থল্লবা ফাওবদা বি টি রোডনচিংবদা মখোয়গী চৎফম থোকপা লম্বীশিং অদুদগী ৱাংমা লান্না থৌরকপা ওটো কয়া অমা য়াওরি। মসিদা ত্রাফিক কন্ত্রোলগীদমক লৈরিবা মথৌ তৌজরিবা মীওইশিং অদুদা য়াম্না তোয়না অৱাবা পীবগা লোয়ননা অঙম অথৌশিংগী নৎত্রগা মথক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগী মীচৈ তাফম ওইরে। অদুনা হায়রিবা পেসেঞ্জর সার্ভিসতা পুন্সি হিংনবা হোৎনরিবা গাড়ী মখল অসি থৌরিবা মীওইশিং অসিগীসু হিংজনবা লম্বীদসু চিলহন্দনবা অমসুং অহৌবা মখোল কয়া অসিসু হম্বহন্নবা থৌরাং অমদি মতম চুপ্পগী ওইনা লৌখৎফম থোকই। হীরমসিদা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চঙবিনবা পাউ–চেগী খুখাংদা মরী লৈনবশিংদা হায়জরি।

*অদোমগী*
*শান্তিকুমার খাঙেম্বম*
*মাইবম লৈকায়।*

## সনামীরৈংগী ৱাখল

# যন্ত্রগী খুদোল



নুপীনা হায়বদা লৌগন্দবা নুপা মশিংগা, মাইবী পাঞ্জি থাজদবা নুপা মশিংগা কনানা হেল্লমগদগে হায়বসি খনবদা অরুবা অমনি। খরা শিংফাৎতবা কাংবুনা পাঞ্জি থাজব্রা হায়ববু লাইরিক হৈর–হৈরবা ডাক্তরেট কয়াসু পাঞ্জি য়েংবা অদুম চৎনৈ। মহৈগী থাক্তা য়ুনিভর্সিটিগুম্বগী থাক্তা তল্লুরবা কনাগুম্বনা পাঞ্জি ওইখিবা, মাইবী ওইখিবা তাদ্রি হায়বা য়াই। লাইরিক হৈবশিংদি ওফিসার ওইখিবা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌ পুদুনা অচৌ অচৌবা দায়ত্ব লৈবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকই। লাইরিক হৈহৌদবশিংগী মরক্তগী লমখাংদা পাঞ্জি ওইখৎলকপা, মাইমী ওইরকপা ময়ামগী মনাক্তা চত্তুনা ওফিসারসু ফম্নাইবসু লোইনমক্না কুঠি য়েংবা, মাইবীগী লাইফাও তাবা পাম্লে। লাইরিক হৈরে হায়বশিংনা থাজনা তানরিবা লাইফাওশিং ফোঙদোক্লিবা লাইরিক হৈহৌদবনি হায়রিবা মাইবী পাঞ্জি মখৈসি লাই লৈরমদ্রগা ওইবা য়াগদ্রা। লাই লৈ হায়বসি থাজদবা মীসু থাজবা মীসু ময়ুমদা লাই লোইনা লাৎনৈ। য়ুমদা লাই লাৎপদা নত্তনা লাইদা ঙমজবা হে লৈ কৎতুনা খুরুম্লে। অশিংবা মখৈসু, শিংবা ৱাংলি হায়বা মখৈসু চপ মান্ননা লাই অদুম নিংবনিনা লাই লৈ হায়বা থাজদবা কাংবুসু লাইফাও তাবা চৎপনিনা লাইদি অদুম লৈবজাৎনি। মখোয় লৈরমদ্রদবু মাইবী পাঞ্জি লৈবা হৌনদে। নহান নোংমা পাঞ্জি কয়া থাজদবা ইনাও অমখক চা থকমিন্নবগী ৱারীদা মানা পাঞ্জিবু থাজদবদগী হেন্দোক্তুনা ময়ুমগী ইবেম্মনসু শুকথা থাজদ্রে হায়দুনা তম্মী। পাঞ্জি থাজদ্রে হায়দুনা তল্লিবা নহাদুগী খুদাংদা লংহুমনা যন্ত্র অমা শী। খুৎশা খুদিংমক্তা খুদোপ অমমমসু শী। খুদাংদা য়াল্লিবা যন্ত্রদুগা খুৎশাদা শীরিবা খুদোপ ময়ামদুগা উৎলদুনা মসিগী ময়ামসি শিদ্রিঙৌদা পাঞ্জিসি কয়া থাজরমদবনি। হৌজিক্তি ময়ামসি লোইনা শিরবা মতুংসিদা অমুক্কা হেন্না থাজরক্তে। হৌজিক্তি মাইবা মশিং পাঞ্জি মশিং শুরবনিনা য়ুমগী ইবেম্মনসু মখা তানা য়েংশি হায়বা য়ারক্তবসি পাঞ্জি থাজরক্তবা ওইবা তাই। থাজদ্রে হায়রিবা পাঞ্জি অদুনা পীরকপা যন্ত্র অমদি খুদাংদা তাহৌদনবা লংহুমনা চেৎনা পুল্লিবনিনা নুপী মখৈনা থাজগনবা পাঞ্জিদা নুপানা থাজদে হায়বসু যন্ত্রদি অদুম শীনৈ। থাজদ–থাজদনা যন্ত্র শিদুনা খুদোপ শীদুনা নুংঙাইবা ফংবনিনা মণিপুর নুংঙাইনবা মণিপুরগী যন্ত্র অচৌবা অমা মাইবা ময়াম, পাঞ্জি ময়াম তান্নদুনা শাবা য়াই। মণিপুর পুম্বনা থাজদ্রে হায়রবসু মণিপুরদি ৱাখল নুংঙাইগদৌরিবনি। মণিপুরদা লাকপা লৈবাক্কী অচৌবশিংদা ঐখোয়গী অচৌ–অশাংশিংনা খুদোলপোৎ পীবদা যন্ত্র অচৌবা অমা খুদোল তম্বদা মণিপুরদা লৈবা নুপীবু কয়া থাজদবা নুপাসু মাইবা পাঞ্জি কয়া থাজদবা নুপাসু ৱাখলদি ইনুংদা নুংঙাইবা য়াই। পাঞ্জি মখৈনা যন্ত্র মনুংদা মণিপুরগী নুংঙাইনবা মন্ত্র খরা হাপখিবদা দিল্লিরোমদগী মণিপুরসি নুংশিরক্তুনা প্রজাশিংসি ৱাখল নুংঙাইবা লমদম অমা ওইগনি।

# খূৎতা থাউমৈ লালটৈন পায়বী

মালেমগী অঙকপা থৌদোকশিং
ইবোপিশক লুৱাং

মমাং নিংথৌকাবগী মখা...

ওইরক্লিবা লৈবাক্কী ফিভম অসি য়েংলগা মচাগী মহৈ–মশিং তম্বা তুংগী ৱাখল থল্লগা ফ্লোরেন্সগী মপাবুংনা মখোয়গী ইমুং–মনুং ফ্লোরেন্স থাদোক্লগা বিল্ট শায়র (লণ্ডণ) দা য়ুম হোংলকখি। বিল্ট শায়র হায়রিবা লমদম অসি মখোয়গী ৱাখলগা য়াম্না চানবা মফম অমা ওইনা লৌই। মরমদি মফম অসিদা মী অয়াম্বনা শেল–থুম ৱাত্তবখক নত্তনা মীয়াম্না ইকাই খুম্নবা থম্বা চাওখৎপা মীওই ঙাক্তনা লৈবা লৈকায়নি। মফম অসিদা লৈবা মতম ইকুই–কুইদনা চয়োল, থা হৌখিবগা ইরোইননা ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গল মহাক্কী মপোক্কী লোয়নজরক্লবী মী কোইদবী চমজবী থম্মোয় মপাবুংনা থোনবীবা মিংগা চান্ননা চেক্লা খোইনিংতুবীগুম্না মখোয়গী য়ুমগা য়ুমলোন–কৈরোন্নবা ইমুংগী মীওইশিংগা তোরোৎ খোন্দানবা হৌরকখি। মহাক্কী অসিগুম্বা মী কোইদবগী মচৎ অসি মপাবুংগী দ্রাইংরুমদা লাকপা তোঙান–তোঙানবা মীওইশিংগী মফমদসুনি।

চহি য়াল্লকপগী মতিক নাইতিঙ্গলগী অপাম্বগী মাইওন তাইবং মালেম অসিগী তোঙান–তোঙানবা লৈপাকশিংগী ফুরুপশিং লোয়ননা মীওইবা কাংলুপকী শাগৈশিংগী সাহিত্য, সংস্কৃতি, ইতিহাস, ধর্ম্মশিং লোয়ন–লোয়ননা মথাই থাইনদগী চৎনরক্লবা অরু–অরুবা খুদিংমক মনুং হঞ্জিন্না নৈনদুনা য়েংনিংবগী মাইকৈরোমদা পুক্নিং চিংশিনবা হৌরকখি। মতম অসিদা মহাক্কী ৱাখলদা ইংলণ্ড অমসুং ইটালীখক নত্তনা হায়বদি মালেম অসিগী করিগুম্বা শরুক্কী সাহিত্য, সংস্কৃতি, মফম অদুগী ইতিহাস, ধর্ম্ম অমদি মথাই থাইনদগী চৎনরক্লবা অরুবশিং খঙনিংবা পোক্লকখি। মসিগীদমক অহানবমক্তদা লাপ্তনা মফম অসিগী খুঙ্গংদগী হৌবা পামখি। মরম অসিনা ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গলনা মমা–মপা অনিগী মাঙমক্তদা য়াম্না তোয়না নিংঙাই তৌখিবা লৈ, "সহর ওক্লে। নুমিৎ খরনিদংগী ওইরবসু ঐবু করিগী খুঙ্গংদা পুবীদবগে?"

অমতা পোকচবী মচা ইবেম্মগী খুঙ্গং য়েংনিংবগী নিংঙাই চক্রিনে, মহারানী বিক্তোরিয়াগী লুহুপ লাংবগী হরাও–কুম্মৈগা মপা–মপা চানরুবদগী ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গলগী অপোকপী মমা স্মিথনা মখোয়গা নক্লবা মরী লৈবা লীহর্স্ত খুঙ্গংদা নাইতিঙ্গল পুদুনা লাকখিবনি। খুঙ্গং অসিদা লৈরিঙৈ নুমিৎ খরনিখক্তগী মনুংদা নাইতিঙ্গল অমসুং স্মিথর্স্ত মখোয় অনি নোংদম্বা মানা থেংনরু তম্বীরম্বদগী নুংশিগী কল্লবা নোংলৈগী শাফুনা ইখঙ খঙহৌদনা নাইতিঙ্গলগী পুন্সি চহি তরানিথোই চুপ্না ৱাখল অমসুং পুক্নিং লোই থাবগী য়ানবা ৱাফম অমা তঙ্খায় শিনা হিংবগী ফিভম অমদা লাকখি। মসি মহাকখক্তগী নত্তে মখোয় অনিমক্লা মাগী–মাগী অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্না চহি তরানিথোইগীদমক খোঙফম শেম্নবা হৌখি। স্মিথর্স্ত মিশনরী অমা ওইনা চহি খরা ভারত্তা লৈরমই। মহাক্লা মফম অসিগী অৱাফম তারবা মরাইবক থীরবা লাইরবশিংগী ফিভম কুপ্না য়েংশিনবীখি। মখোয়গীদমক তঙাই ফদবা অৱাৎপা কয়ামরুমসু মেনখৎপীখি। ভারত্তগী হনখ্রগা নুমিৎ খরনিগী ওইনা অফ্রিকা অমসুং অৱাং অমেরিকাদা লৈবা হম্ববা কাংলুপশিংগী মরক্তা লৈরমই অমসুং মদুগী মতুং কনাদাদা চৎখি, লোয়ননা মফম অদুগী এস্কিমোদা লৈবা মী কাংলুপশিংগী মরক্তা লৈরগা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগীদমক শীনবী লাংবী। মতম অসিদা করিগুম্বা থৌদোক অমনা মহাক্কী ৱাখলদা নাইতিঙ্গল কন্না নীংশিংহল্লকখি, মতাং অসিদা মহাক খাঙবা ৱানা থোকখি, অদুমকপু খঙহৌদনা ৱাখল অমনা অমুক মিকুপ্তা থেমজিনবীদুনা চহি তরানিথোইগী থানখিবা অদু নীংশিংলকই।

সোমদসু নাইতিঙ্গলগী পুন্সি মরেল অফবা অমনি হায়বা য়ারোই। মসি মহাক্লা নুপীগী মপোক্তা পোক্লবনা ওইরমগনি। বিল্ট শায়রদা মখোয়গা য়ুমলোন–কৈরোন্নরীবা মী অয়াম্বনা য়াইতোং খমদোংবা ঙাক্তনি। নুংঙাই–য়াইফবা, চাওখৎপা চাং মান্নবা মীওই ঙাক্তা লৈমীন্নবা লৈকায় অমা ওইবা মরম্না মখোয়–মশেল য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নে অদুগী মথক্তা নাইতিঙ্গলগী অমসু–অমসু ইতিন–তিন্নবা য়াবা ইচম চম্বা থম্মোয়বু মশক খঙবীদুনা পুম্নমক্লা য়াম্না নুংশিবী। অদুম্নদি ওইরগা মহাক্কী অপাম্ববু শৌগৎপীবগী মহুত্তা, হৌখিবনা হৌখ্রে, ফরে, হৌখ্রসনু, মদু কান্নদবা ৱাখলনি থাদোকখ্রো কাউথোক্লো, তুংগী পুন্সিগী ৱাখল খন্দুনা অনৌবা ৱাখলদা লাকপনা নহাক্কী য়াইফবা ওইগনি' মসিগুম্বগী মহাক্কা চানদ্রবা ৱাঙাং ঙাক্তা অমদগীসু অমদগীসু তাবা ফংই। তৌইগুম্বসু মদু খুদিং নাইতিঙ্গলগী নাদা হাপ্তে। অসিগুম্বা মখলগী পুক্নিং ওন্ননবগী ৱাফম অমনা মথং–মথং তক্তুনা পুক্নিং থৌদোক্তুনা য়েংবগী থবক লেপ্লমদে। কোন্নথংদা সিদনী হর্ৱর্তগী পালি তারকই। সিদনী ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গলগা য়েংনবদা চহি তরা হল্লি। মহাক বিল্ট শায়রদা নাইতিঙ্গলগা য়ুমলোন্ননা লৈমীন্নবনি। সিদনী লাইরিক লাইশু হৈবা মীশক্লি অমসুং ৱা য়াম্না ঙাংগন্দবা লেম্না লৈবা মীশক্লি। মহাক বৃটিশ সরকারদা মন্ত্রি ফম পায়রম্মী, নুপী লৈরী। নাইতিঙ্গলনা মহাক্কী মফমদা থোইদোক হেন্দোক্লা ইকায় খুম্না হঙ্গোইনা চৎলি। সিদনী হর্ৱর্তনা নাইতিঙ্গলগী মফমদা পুক্নিংগী মীৎয়েং অমা মতম কয়াগী মমাঙদগী, 'মসি মাক্কী নুপী স্মিনর্স্ত লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙগীনি' হৌনা থল্লকখি। মীৎয়েং অসি নাইতিঙ্গলনসু খঙবা ঙমই, অদুম ওইনমক মহাক্লা করিগুম্বদসু মহাক্লা খুদোং চাবা লৈবগী তাঞ্জা অদুমক্তি ফংহনখিদে।

নোংমা পুকচেল চাওরবা হর্ৱর্তনা নাইতিঙ্গলগী পুক্নিং থৌদোক্তুনা য়েংনিংবগী মওংদা হায়রকই, "চহি তরামাথোইগা থা মাপল হৌখ্রে, হৌজিকসু নহাক্লা স্মিথর্স্ত হল্লকখিগনি থাজবা থল্লি?"

"থাজবা থম্বা অমসুং থমদবা" নাইতিঙ্গল পুক্নিং য়াম্না শোম্বনা খুল্লকই, "চহি তরানিথোই চপ–চানা শুবা ফাওবদি ঙাইখিগনি। হল্লকখিগনি হায়বগী থাজবা ৱাফম অমদি থল্লগা য়ুম অসি থাদোক্তুনা চৎখিবনি।"

"তাংবা শেম্বীবা মপু মহাক্লা থৌজালবীবা ওইসনু, মহাক অমুক তেক্ত–কাইদনা হল্লকপা ঙম্বা। চহি তরানিথোই শুগদবা সুপ্নতগী থা অহুমখক্তম ঙাইশিল্লক্লে। অদুম্নদি ওইরগা খল্লু, মহাক হল্লক্তবা থোক্লবা, মতম অদুদা?"

" মতম অদুগী ঐ হৌজিক খন্দ্রি। অদোম ঐঙোন্দা করি তাকপীনিংবা লৈবীবগে?"

"লৈ। খঙদে অদুবু নহাক্কী ৱাখলনা করি....।"

মহাক্কী অনিংবা ফোংদোক্লিংলিবদি, স্মিথর্স্ত করিগুম্বা হল্লক্তবা থোক্লবদি মবান্নি লুহোংলসি হায়নিংবনি। মহাক্লা মদুগীদমক থাজবা পীদুনা নহাক্লা 'হো' দং হায়য়ু ঐ ঐগী নুপী খাইনথোক্লে। নাইতিঙ্গলগী মফমদা থাজবা পীরিবা ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা ঐ ঙল্লোই হায়বা ৱাহৈ অসিনা মমল লেপ্লগা হায়রকই, "স্মিথর্স্তকা নত্তনা কনাগুম্বা অতোপ্পা নুপা অমগা লুহোংবগী ৱাফম লেপথোকপা খক ওইথোক্লোই। পল্লিবা ৱাফম অদু ঐগীদমক্তদি খাঙবা ঙম্বা অমসু নত্তে, অদুগা মিষ্টর হর্ৱর্ত নুপী ওইবীগী পুন্সিদা লুহোংবা হায়বসি থোইদোক হেন্দোক্লা মরু ওইদব্রা অদুগা মসি নুপা ওইবগীসু নত্তব্রা? অদু মহাক্লা কনাগুম্বী অমগী ওইদুনা চৎখ্রে হায়না খল্লসি, মদুগীদমক পেন্দবদগী পুন্সি চুপ্পা য়ুম পান্দনা লৈবদা মাংজবনা করি? স্মিথর্স্তনা ঐগা লৈনরিবা মরী অসি থদৎলম্লবসু ঐগী অপাম্বা খনখিগনি অমসুং ৱাখল তৌখিগনি, তৌইগুম্বসুং ঐ লুহোংদবসু য়াই।"

হর্ৱর্ত করি অমুক ৱা মখা তাখিগনি। নাইতিঙ্গলগী পুক্নিংগী ফিরেপ য়েংলগা চিংনবা লৈতনা মহাক্লা মমল লেপ্পি অমসুং থাজবা পীদুনা হায়রকই, "মতাংনা পুন্সিদা করিনো পুক্নিংনা অপাম্বা খনবগী তাঞ্জা লাকপা থোক্লবা অদুগা মদুদা ঐঙোন্দগী করিগুম্বা তঙাইফন্দবা মতেংগী মথৌ লাক্লবদি মতম অদুদা ঐবু নীংশিংবীরকউ। ঐ নহাক্কী মিশন অদুদা শোয়দনমক্কী লোয়নগনি।" ৱাহৈ অসি হায়রম্লগা হর্ৱর্ত চৎখি অমসুং ৱাহৈ অসি নাইতিঙ্গলগী নাপদা হঞ্জিন–ঞ্জিন খোঙ্গাং য়ৈরী। মথং মথং.....

# মীয়াম য়াওদনদি ওইথোক্তবনি

– জি.সি. ককচিং –

**মমাং নিংথৌকাবগী মখা...**

মসিনা লমদম অসিগী শেলমিৎলোন হেঙ্গৎহন্নবা হোৎবদা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী তঙায়ফদবা মীৎয়েং অদু নৈনখ্রে। লমদমসিগী শেলমিৎকী ফীভম ফগৎহনবদা সরকারগী মায়গৈদগী করি মীৎয়েং থল্লি হায়বদুসু নৈনদবা য়ারোই। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা লমদম অসিগী লৌ উনরিবা লৌবুক কয়া নোংমা কাংদনা স্কুল শাজিল্লকপা, চেক্কোন শাজিল্লকপা, ওইল পম্প শাজিল্লকপনচিংবা চথরকপনা লৌফম কয়া নোংমা নোংমগী মাঙশীল্লিকপা কয়া অসিগী মায়োক্তা সরকারগী ফীরেপ অমত্তা লৈতবদগী মতম মতমগী সরকারগী মীৎয়েং শান্দবা থৌশিলগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউবা, খোঙজং কয়া চংশীনবা হৌরক্লি। শেঞ্জাও পায়বশিংগী ওইবা সরকার অসিনা অকন অকনবা ফোর্স কয়া শীজিন্নদুনা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা মতম কুইশিল্লক্লে। মসিমক য়াম্না লাইবক থীবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? ফীভম অসিমক লায়রবা লৌমী শিন্মীশিংনা পেনফম থোক্তে, লায়রবা লৌমী শিন্মীশিংনা মশীং য়াম্বা লৈপাক্তা লায়রবশিংনা ৱা ঙাংবা ঙমদবা হায়বসি অঙকপা অমা নত্তে। ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা ৱায়েল ৱাকৎপা ঙমদবা হায়বদি মরম করিনো? কেপিটেলিষ্ট ডেমোক্রেসি দদি শেল পায়জদবা মীওই অমত্তনা ৱায়েল শঙদা ৱাকৎনবগী লম্বী লৈতে, অদু ওইবা তারবদি কেপিটেলিষ্ট ডেমোক্রেসি দা লায়রবগী লম্বী লৈতে। সরকারগী মেছিনারি পুম্বা কেপিটেলিষ্ট শিংগীনি। মসি কেপিটেলিষ্ট সরকার অমগী লু-তোংদা য়াওজরক্লবা থাদোকপা য়াদ্রবা লীচৎ অমনি, মখোয়দি অতোংবা মফমদা মতম পুম্বদা লৈ। অসিগুম্বা কেপিটেলিষ্টশিংগী লীচৎ অসি মশিং য়াম্না লৌমী শিন্মীশিংনা নোংমা পুনশিনখিবা মতমদা লৌমী শিন্মীশিংগী খুৎতা তাখিদুনা মীয়ামগী মান্নবা খুন্নাই হায়বদু শেমগদৌরিবনি। মতম অদুদদি লায়রবশিংগী অৱাৎপা অৱাবা অমদি মীচং মীখাই নাইবগী লীচৎ অদু মাঙখ্রগনি।

অমুকসু মখা তানা নৈনদুনা য়েংবা য়াই। প্রাইমারি সেক্টরদা লৈরিবা লৌউ শিংউগী থবক্লা মপুং ওইনা থবক শুফম নীংথিনা লৈজদবা চীংগী লমদম অসি নীংথিজরবা লৌফম কয়া পাক্তক্লনা মাঙখিবগী থৌদোক লোক্তাক প্রোজেক্টনা লৌশিং ওইখ্রে। হৌজিকমকসু সরকারনা লৌবুক পাক্তক্লনা মাংহনবগী থৌশিল লেপ্পা লৈত্রি। মতাং অসিদা হংনীংলিংবা ৱাহংদি সরকার খঙনা তৌরিব্রা নৎত্রগা খঙদনা তৌরিব্রা? খঙনবু ওইরো খঙদনবু ওইরো মীয়ামগী মায়োক্তা তৌরকপা থবক খুদিংমক চুল্লবসু লাল্লবসু নম্ফুদা তৌগনি হায়বদি অরানবা খোঙথাংনি অশোয়বা মিৎয়েংনি।

অসিগুম্বা অরানবা ফীরেপ কয়া অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা ফৎত্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি।

তশেংনমক য়েংবা য়াই লোক্তাক প্রোজেক্টনা লমদমসিদা পীরিবা চহিগী ইনকম গা লোক্তাক প্রোজেক্টনা মাঙহল্লবা লৌফমশিংদগী ফংবা ইনকমগা অনি অসিগী অমাং অতোং অখঙ অহৈশিংনা নৈনবীবা চুম্মী। এয়ারপোর্টনা লমদমসিগী শেনমিৎলোন্দা কয়াম কান্নবা ওইগদৌরি অদুগা লৌফমশিং অদুনা লমদমশিগী মীয়ামগী নোংমগী হিংনবগী লম্বীদা কদাই ফাওবা মতেং ওইরি, ৱাফমশিং অসি লমদমশিগী খঙ হৈরবা কয়ানা অমিয়া কাদুনা য়েংদুনা লৈবগী মরম করিনো? ফেক্ট ফাইন্দিং অমদি পুথোকপা দরকার ওইব্রা হায়বসি থমজনীংই। সরকারগী মথোং হুক্তবা মীৎয়েং শান্দবা খোঙথাং কয়ানা সরকারগীসু খুন্নাই মীয়ামগীসু জ্ঞান তারকপদা ঙকশম য়ৌরম্বা শোয়রোই। লৌকোল মাঙহনবা, এয়ারপোর্ট চাউথোকপনচিংবা কয়াগী মায়োক্তা অচৌবা পেন্দবগী খোঙজং কয়া লৈরিঙৈগী চৈরকশিদা চীঙারেল তেজপুরগী চাউরবা লৌফম কয়া লৌশিন-দুনা ইন্দষ্ট্রিয়েল গ্রোথ সেন্টর শারগনি হায়বগী ৱারেপ লৌরকপা অসিমক্লা ৱাথোক অমা ওইহন্দুনা মীয়ামগী থম্মোইদা মপী মপা লৈতবগুম ৱাকৎফম খঙহন্দবা চরক চহিং নাইবা থৌশিল হৈতবা সরকারগী থৌশিল মপাল থোকহল্লি। ইন্দষ্ট্রি মতিক চানা লৈজদবা লমদম অমদা লৌউ শিংউগী থবক্লা খুমাং চাওশীল্লক্লবা মতমদা লৈবাক্কী শেলমিৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবতা নত্তনা অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফম্নি। অদুবু লমদমশিগী মপী মপা ওইবশিং চপ চাবা সরকারগী লৌউ শিংউগী থৌশিল লৈতবনা মরম ওইদুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লি, হৌজিক ফাওবদা সরকারগী ওইনা লৌকোল মাঙহন্দবা, Crop insurance পীবা, Krishan Credit Card চৎনহনবা, ইথৈ লৌখোং ফগৎহনবনচিংবা কয়াগী ৱাফমশিং অসিগী চপ চাবা ফিরেপ লৈতে। মাইনর ইরিগেসনগী মখাদা শেমগৎপা প্রোজেক্ট কয়া থবক হৌরল্লগা লোইশিনদনা লৈরি, ইরিগেসন মতিক চানা পীগনি হায়দুনা শেমগৎখিবা সরকারগী প্রোজেক্ট কয়া ফেল ওইদুনা লৈরি।

হৌজিক লাক্লিবা চীঙারেলগী ৱাথোক অসি মরু ওইনা লৌকোন অসিদা লৌ উজদুনা হিংলিবা/হিংনবগী পান্বে ওইরিবা চীঙারেল তেজপুর, শওম্বুং, শওম্বুং কবুই, ৱাইতোন, ৱাইরি, মনি য়াইস্কুল, খুরাই অমসুং কোংপালগী মীয়াম্নী। চীঙাক্লা হিংনবগী মরুনি, লৌমীগী পুন্সি কল্লু, লৌফম্না মীওইবগী থৱাইনি, চীঙাক ৱাত্ত পাদবা লৈবাক অমা ওইহনসি হায়বা ৱাকৎশিং অসি লমদমশিগী মীয়াম্না কন্না য়েংনবা হৌরক্লিবা ৱাখলগী পরীংনি। অসিগুম্বা ৱাকৎশিং অসি তাবীদুনা খন্না নৈনবগী মহুত্তা নমদুনা লৌশীন্নবা হোৎনরকপনা সরকারগী ফিরেপ ওইগদৌরিব্রা? নৎত্রগা লৌমীশিংগী মরক্তা য়ানিংবা য়ানিংদবা হায়বা সরকারগী 'give and take' কী অরোনবা থৌশিলগী মচেৎ তানা থুগাইরগা নমদুনা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা সরকারগী ঙমই হায়বগী থৌওংদু মীয়ামদা উৎলক্কদৌরিব্রা?

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মতীং লৈবা শেনমিৎলোন অমগীদমক পোথোক চাথোক মরাং কায়না পুথোকহন্দুনা ৱাৎতা পাদবা খুন্নাই অমা শেম্নবগী মীৎয়েং য়েংবা হৌনরক্লবা মতম অসিদা লাইরিক হৈবা শেঞ্জাও পায়বা তৌনিংবতা তৌবা ঙম্বা, শেল পায়বনা খুৎলিংবা, শেল পায়বনা মতীক চাবনি খনবা লৈঙাক্কী মকোক মরুশিংগী থৌশিল অসি চাকখাওদা থাঙনা য়ানবগী থৌশিল অসি ইহৌখক্তগী নত্তনা তুংলমচৎকী লমদমশিগী মীয়ামগীদমক য়াম্না লাইবক থীবনি। লৌফম নত্তবা মফমদা মফম চাবা অমদা তৌবীবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। সরকারনা লমদমশিগী কান্নবা খোঙথাংনি হায়না লৌরকপদা চীং তমগী মীৎয়েং খেন্নবা থমদনা থবক পায়খৎপদা অকায়বা অয়েৎপা লৈব্রা? সরকারনা পায়খৎলকপা থৌরাং থৌশিলদা অয়েৎপা পীরকপগী মরম কয়ামরুম য়েংবা তারবদি লমদমশিগী Project implement তৌগদৌরিবা authority শিংনা মাঙজৌননা খন্ন নৈনবা ৱাৎপদগী ঙসিদি সরকারগী মফমদা থাজবা ৱাৎপা হেঙ্গৎলকপা, হেঙ্গৎলকপগী মরম্লি। মরম অদুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মতম মতমগী ৱাখল থাদোকমীন্নদুনা খুন্নাই মীয়ামগী তুংলমচৎকী ললশিং চেকশীন্না ঙাক শেনমিন্নদুনা চাওখৎপা খুনাই অমা শেমগৎপদা মীয়াম য়াওদ্রবদি ওইথোকপা থবক অমত্তা লৈতে হায়বসি মীয়ামগীদমক্তা থবক তৌরিবা খুদিংমক অমদি সরকারগী মরি লৈনবা খুদিংমক্লা খঙমীন্নবা দরকার ওইব্রা হায়বসি খুন্নাই মীয়ামগী ৱাখলনি।